Refreshingly Reliable
হুয়েন লানপাউ
HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

নাওরিয়া পাখঙলাকপা ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা ইন্নরদা কোংগ্রেসকী মীরেপ ও নবকিশ্বরগী মীখলগী কেম্প্যেনগা মরী লৈননা মেকোলা গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা মীফম

রোজি থিবা খঙদনা লৈরিবা থৌদোক অসিদা চেন্নবশিং অথুবদা ফাদুনা পুথোকউ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা মীয়াম্না থৌবাল কৈথেল মপাদা নেসনল হায়ৱে ১০২ থিংবা

এসেসিবিলিটি ওবজার্ভর জে সী রামথাঙ্গানা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা মীখলগী শেম শারিবা থবক থৌরমশিং য়েংশিল্লদুনা দি ঈ ও বিষ্ণুপুর অমদি ওফিসলশিংগা মীফম পাঙথোকপা

বি জে পি ময়াং ইম্ফাল মন্দলনা শীন্দুনা ইন্নরদা বি জে পিগী মীরেপ ডা. আর কে রঞ্জনগী মীখলগী কেম্প্যেনগা মরী লৈননা ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুনদা পাঙথোকখিবা পোলিটিকেল কনফরেন্স

Vol. 43, Issue No.019 লৈবাকপোকপা, শজিবু ১২নি পানবা অপূনবা লামায় মশীং ১২ HUEIYEN LANPAO, Tuesday, April 16, 2019, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

জে দি য়ু মণিপুরনা ইন্নরগী মীরেপ ডা. নরদা শৌগৎখ্রে

অচুম্বা থিরিবা মীয়ামগীদমক লেপ্পুনা পার্লিয়ামেন্টতা থেংনগনি : ডা. নরা

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচএনএস) : তরাতরেৎশুবা লোক সভা মীখলদা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সিদা সী পি আইগী মীরেপ ওইরিবা ডা. এম নরাদা জে দি য়ু মণিপুরনা শৌগৎলগনি হায়না পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট হংখানপাও তাইথুলনা লাউথোকখ্রে।

ন্যু চেক্কোন্দা লৈবা জে দি য়ু মণিপুরগী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট হংখানপাও তাইথুলনা সী পি আইগী মীরেপ ডা. এম নরবু শৌগৎপগী ৱাফম লাউথোক্লদুনা হায়খি, হন্দক্কী লোক সভা মীখল অসি তরাইবা মীখল ওইরোইদৌরি। ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সিদা মীরেপ ওইরিবা ডা. এম নরা অসি অচুম্বা থবক তৌরক্কদবা মীওই অমনি। জে দি য়ুনা শৌগৎলিবসি মী ওইনা শৌগৎপনি। মীখল থেংনবদা য়াওরিবা কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিদা থাজবা থম্লিংঙাই লৈতে। জে দি য়ু মণিপুরগী ওইবা মীফম অমা ফম্লবা মতুংদা ডা. নরবু শৌগৎপগী ৱারেপ অসি লৌখিবনি।

আউটরগী মীখলদদি নম্ফুগী থবক কন্না চথবা থেংনখি। তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা চৎতুনা য়েংলুবা মতমদা পোল্লিং ষ্টেসন খরগী ভোট থাদফমদা কম্প্যুটর পায়বা মীওইগুম ফমদুনা লৈরগা চঙলকপা ভোটরশিং অদুগীদমক ভোট থাদরম্বা কয়াসু থেংনখি। কিহন-খঙহল্লগা নম্ফুদা ভোট থাদবা কয়া অসিদগী কারক্কদৌরিবা গুন্দাগী লিদরনা পার্লিয়ামেন্টতা চৎলগা করি ওইগনি হায়বসি খন্ননিংঙাই ওই। খুৎলায় পায়বা কয়ানা কিহল্লগা নম্ফুদা ভোট ফংনবা হোৎনরিবা কয়া অসিনা আউটরগী মীখল অসি কাঙলোন চুম্বা ওইখিদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা সী পি আইগী মীরেপ ডা. এম নরনা হায়খি, ইস্যু কয়া লৈরিবা লমদম অসিদগী পার্লিয়ামেন্টতা মীহুৎ থাগদৌরিবা অসি য়াম্না কুপ্না খন্নহৌবা চঙই। হন্দক্কী মীখল অসিদা মীয়াম্না অচুম্বগী মায়কৈদা লাকপগী ঈহৌ অমা উবা ফংলি। মীখল অসিদা মায় পাকপা তারবদি অচুম্বা থিরিবা মীয়ামগীদমক লেপ্পুনা পার্লিয়ামেন্টতা চপ চানা থেংনগনি। লমদমসিগী ইস্যুশিং মরিক চুম্না খঙহনবগা লোয়ননা মদুগী চপ চাবা থবক অদু পাঙথোরক্লবা হোৎনগনি।

লৈঙাক পায়রিবা বি জে পি মচিন্দা লাউথোকপদি য়াম্না কনবা অদুবু থবক ওইনা পাঙথোরকপগী মমি উদবা ফীভম অমদা লৈরিবনি। স্কিম কয়া লাউথোকখ্রে। অদুবু কদায় ফাওবা থবক পায়খৎলিবগে হায়বসিদি পুম্নমক্না খঙনরবনি। ওইরক্লিবা পোলিটিকেলগী ফীভমসিদা ঐখোয় পুম্নমক্না কুপ্না খন্নদুনা অচুম্বা মায়কৈদা লেপ্লসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অদিত্যনাথপু পুং ৭২, ময়াৱতিবুনা পুং ৪৮ ভোট খোম্বা য়াহনখিদ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী): মীখলগী কেম্পেইনদা ৱা ঙাংবদা খোইশাওনবা পোকহনবা য়াবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা মোদেল কোদ ওফ কনদক্ট (এম সী সী) ঙাক্লা চৎখিদে হায়বগীদমক উট্টর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যনাথ অমসুং বি এস পিগী লুচিংবী ময়াৱতিগী মথক্তা ইলেক্সন কমিসননা অকনবা থবক লৌখৎখ্রে।

ইলেক্সন কমিসননা য়োগি অদিত্যনাথপু পুং ৭২ অমদি ময়াৱতিবুনা পুং ৪৮ মীখলগী কেম্পেইন চথবা য়ারোই হায়না অথিংবা থমখি। য়োগি অদিত্যানাথনা অলি অমসুং বজ্রং বলিগী মতাংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমগা মরী লৈননা মতিক চাবা থবক লৌখৎপা ঙমদে হায়না ইলেক্সন কমিসনবু এপেক্স কোর্টনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

ময়াৱতিনা মুস্লিমশিংদা ভোট খোম্বদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমগী মতাংদসু ইলেক্সন কমিসননা করিগুম্বা মখলগী থবক অমত্তা লৌখৎপা ঙমদ্রে হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ফোঙদোকখিবনি।

ইলেক্সন কমিসননা থোকখিবা ৱারোল অমা পল্লদুনা এজেন্সিগী পাউনা ...

মখা লামায় ৩ কলম...৪

নোংলৈ নুংশিৎতা নুপী ৩ শিরে, য়ুম কয়া অমাঙ-অতা থোকখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচএনএস) : পুংদা কিলোমিটর ৪০ রোম য়াঙনা ঙসি অয়ুক পুং ১০ রোম তাবদগী ষ্টেট অসিদা শীৎখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎতা নুপী অহুম শিরে, মহৈরোয় য়াওনা মীওই ৩৮ লোম অশোক-অপন নংখ্রে। নোংলৈ নুংশিৎ অদুদা য়ুম, স্কুল অমদি কৈথেল কয়া অমাঙ-অতা থোকখ্রে।

নোংলৈ নুংশিৎ শীৎখিবা অদুদা লৈখিদ্রবা নুপী অহুম অদুদি ককচীং ৱাইরি সেনাপটি লৈকাই, লাইরম পরেংদগী য়েংখোম নুংশিতোম্বী এলিয়স মেমচা (৫৬) মপূরোইবা লৈখিদ্রবা য়েংখোম অঙাংচা, চুড়াচান্দপুরগী কে মেমজাংদগী নেমদোন (৭৮) মপূরোইবা ভুনখোমাং অমসুং চেনখোলহাই (৫০) মপুরোইবা সেনখোলেননি। লৈখিদ্রবী নুংশিতোম্বী ককচীং ৱাইরি সেনাপটি লৈকাই, লাইরম পরেংগী মচিন, কে এম সী রোদ নাকন্দা হোটেল ফম্বনি। নোংলৈ নুংশিৎ অদুদা মহাক্কী হোটেল মনিংদা হৌবা উ পাম্বী অমা মরূ ফুক্তুনা হোটেল মথক্তা তুথরক্লগা নন্দুনা শিখিবনি। নেমদোন অমসুং চেনখোলহাইনা মখোয়না লৈরিবা য়ুম অদু তেকথ-রকপদগী নল্লগা শিবনি হায়রি।

নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা কুম্বীদা লৈবা ন্যু মোদেল পব্লিক স্কুল হুমদোকখিবদগী স্কুল অদুগী মহৈরোয় ৭ শোক্তুনা লায়কন্নখি। মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ক্লাক্তাদা লৈবা মণিপুর ক্রিয়েটিভ প্রাইভেট স্কুল হুমদোকখিবদগী স্কুলগী মহৈরোয় য়াওনা মীওই ৩১ রোম অশোক-অপন নংখি। শোক্লবশিং অদু মোইরাং কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টর অমসুং ক্লাক্তা কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টরদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। ফীভম খরা থিনা শোক্লবশিংনা শীজ অমদি রিমস হোস্পিটালদা রিফর তৌদুনা লায়কন্নখ্রে। নোংলৈ নুংশিৎ অদুদা ক্লাক্তা শাবল মনিংদা লৈবা ঐচ টি লাইন পুবা ইলেক্ট্রিক পোল অনীসু তুখি। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদসু য়ুম হুমদোকপা, উ-ৱা তেকপা, ইলেক্ট্রিক পোষ্ট তুবনচিংবা থৌদোক কয়া থোকখি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দি সী পাৱন য়াদবনা ক্লাক্তা অমসুং মসিগী অকোয়বদা নোংলৈ নুংশিৎনা শোকহল্লবা মফমশিং য়েংশিনখি হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতসু য়ুমথক কুপ্পা জিজ্ঘশিং পাইথোকপগী থৌদোক য়াওখি। অদুমকপু দিষ্ট্রিক্টশিং অসিদদি কা হেন্না অকায়বা থোকপগী পাউ লৈখিদে। কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী কাসোম সব-দিভিজন মনুং চন্না লৈবা খপলাং অমদি নম্বাসি খুনৌদসু নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা চাওনা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে। নম্বাসি খুনৌ প্রাইমারি স্কুলগী শরুক অয়াম্বা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা হুমদোকখ্রে হায়রি। নোনে দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদসু ঙসি ...

মখা লামায় ৩ কলম ২

লম্বী থিংলুরে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচএনএস) : থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংখেম এ সী মনুং চনবা চরাংপাৎ নেপ্রা কম্পেনিদগী মৌ নহা অমা হৌখিবা এপ্রিল ১১ দা পাঙথোকখিবা আউটরগী মীখলদা ভোট থাদহন্নবনি হায়দুনা কৌথোকখিবদগী ঙসি ফাওবা থিবা ফংদনা লৈরিবা থৌদোক অসিদা চেন্নবশিং অথুবদা ফাদুনা পুথোকউ হায়দুনা মীয়াম্না থৌবাল কৈথেলদা নেসনল হায়ৱে ১০২ থিংজিল্লুরে।

ভোট থাদহন্নবনি হায়দুনা কৌথোকখিবদগী ঙসি ফাওবা থিবা খঙদনা লৈরিবা নুপী অদুগী মমিং ক্ষেত্রিময়ুম নিংঙোল সগোলশেম ওংবী ...

মখা লামায় ৩ কলম ৪

লমদমসিদা চাউখৎপা, ঈং-তম্পা লাক্লিবসি লৈঙাক্কা মীয়ামগা চৎমিন্নবদগীনি : বিরেন

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচ এন এস) : লমদমসিদা চাউখৎ থৌরাংগী থবক মাঙলোমদা চঙশিল্লকপা অমদি ঈং-তম্পগী মায়কৈদা লাক্লিবসি লৈঙাক্কা মীয়ামগা চৎমিন্নবদগীনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঙসি উরিপোক খুমন্থেম লৈকায়দা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা পব্লিক মীটিংদা ফোঙদোকখ্রে।

বি জে পি উরিপোক মন্দলনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, মমাঙগী লৈঙাক্কী মতমদা লমদমসিদা মীশি-মীনাগী থৌদোক য়াম্না তোয়না থোক্লম্মী। নুমীদাং খজিক্তং থেংলকপদা য়ুমদগী মপান থোকপদা কিনবগী ফীভম অমদা লৈরম্মী। মচা-মশুশিংনা খজিক্তং থেংনা হল্লকপদা মমা ওইবীশিংনা মীপায়বা পোকরম্বনি। ঙসিদি অহোংবা লাক্লে। নুমীদাং পুং ১১ তাবা ফাওবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা লল্লোন-ইতিক্কী থবক অদুম্মক তৌবা থেংনরে। পুলিস উবদা কিনরম্বা অদু হৌজিক্তি লৈত্রে। হৌখিবা চহী অনীগী মমাঙদা লৈরম্বা ফীভম অদুদি অকি-তুজুংবগী থৌদোক কয়া থোকপা ওইখি। মসি মতমদুগী লৈঙাক্কী লুচিংবনা ওইহল্লম্বা ফীভমনি। ঙসিদি পুলিস পর্সনেলশিংগী মরক্তা লম্বীদা অহল ওইবীশিংনা লাম্থোকপদা মতেং পাংবা কয়া থেংনরে। মসি অহোংবা লাকপগী খুদম অমনি। চীং-তম খাইবুং খাইবুং তান্নবা ফীভম অমদা লৈরম্বা অদু হৌজিক্তি নকশিন্নবা ঙমহল্লে।

মখা লামায় ৩ কলম ৪

অমগা-অমগা য়েংথিনহনবা মওংদা বি জে পিনা ভোট খোল্লি : গাইখাঙম

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচ এন এস) : লমদমসিদা লৈমিন্নরিবা ঐখোয় খুদিংমক্কী মরক্তা অমগা-অমগা য়েংথিনহনবা, য়ানহন্দবা মওংদা বি জে পিনা ভোট খোল্লি হায়না এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট গাইখাঙমনা ফোঙদোকখ্রে।

নাওরিয়া পাখঙলাকপা ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা ইন্নরদা কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইরিবা ও নবকিশ্বরগী মীখলগী কেম্প্যেনগা মরী লৈননা মেকোলা গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফমদা ৱা ঙাঙলদুনা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট গাইখাঙমনা হায়খি, বি জে পিনা ভোট ফংনবগীদমক অমগা-অমগা য়েংথিনহন্দুনা ভোট বেঙ্ক ওইনা শীজিন্নরবা হোৎনরি। অসিগুম্বা থবক অসি তৌহৈদবা ফত্তবা থবকনি। বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা তৌরিবা মীয়ামগী মায়োক্তা তৌবা থবক ঙাক্তা ওইরে। মখোয়গী থবকখৃৎতৌ অসিনা তাকপদি কন্সটিট্যুসননা পীরিবা রাইটশিং অসি পুম্নাই চাইরে। দিমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক পুম্নাঙ মাঙহল্লে। মীখল অসিদা কোংগ্রেসনা মায় পাকপা হায়বসি মীয়ামগী মায় পাকপনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা হায়খি, পব্লিসিটি প্রোপেগন্দা য়াম্না তৌরগা থবক্তি শুংতৌ তৌদবা বি জে পি লৈঙাক অসিগী মথক্তা ৱা ঙাঙনিংদ্রে, ৱা হায়গদবা তল্লে। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা তৌরিবসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মতৌ তন্নিব্রা খঙদে। বি জে পিদি পব্লিসিটি ...

মখা লামায় ৩ কলম ৭

ভোট মশিং থীবদা য়াওহন্দনবা হায়জখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচ এন এস): আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীখলদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী পোল্লিং ষ্টেসন ২২০দা থাদনখিবা ভোটশিং মশিং থীবদা য়াওনবীগনু হায়না বি জে পিগী ইলেক্সন এজেন্ট থাংজাকম মিসাওনা ৱাকৎখ্রে।

চীফ ইলেক্সন কমিস্নরদা থাখিবা চেরোল অমদা মহাক্না হায়, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা এন এস সী এন (আই এম)গী খুৎলায় পায়বা কাদরশিংনা মরাল লৈতবা মীচম কয়া ...

মখা লামায় ৩ কলম ৭

য়ু পি আর এফ এমগী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫: য়ুনাইটেদ পীপলস রেভল্যুসনরি ফ্রন্ট ওফ মণিপুর (য়ু পি আর এফ এম)না কংলৈপাক্তা নীংতম য়াওল্লুপ অমা ওইনা য়াওল ঈহৌ চথরকখিবগী অহানবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি পার্টি অসিগী জেনরেল হেদ ক্বার্টর, দিভিজনেল অমদি সেক্টরেল এরিয়া-শিংদা তোঙান-তোঙানবা থৌরম-শিংগা লোয়ননা পার্টিগী কাদরশিং অমদি লৈবাক মীয়ামগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে হায়না য়ু পি আর এফ এমগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি এল রোলিন এলিয়স থৌপাংবা মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, পার্টি অসিগী জেনরেল হেদ ক্বার্টরদা পাঙথোকপা মপূং ওইবা থৌরমদা য়ু পি আর এফ এমগী চেয়রমেন টি বৃধি এলিয়স তমঙানবা অমদি ভাইস চেয়রমেন এন রোমেন এলিয়স নোংপোকনা থৌরম মপূ ওইখি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা লুচিংবা অনীনা ফম্ফমলাংদা লেংশিনখিবগা লোয়ননা পার্টিগী ফিরাল চিংখৎখি। লোয়ননা পার্টি অসিবু হৌদোরকপদা ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি ওইনা অচৌবা থৌদাং লৌবীরম্বা খাঙেম্বম কংলৈঙানবা এলিয়স কিপাকনা হৌখিবা কুমজা ২০১৮গী ওক্টোবর ১৪ দা থোকপা লাইবক থীবা এক্সিদেন্ট অমদা শোকপদগী কোমাদা লৈরকখি-বদগী ...

মখা লামায় ৩ কলম ২

কে সী পিগী ৩৯শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫: কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সী পি)গী ৩৯লকশুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙরাং সী ঐচ ক্যু, জি ঐচ ক্যু, ট্রেনিং সেন্টর, টেক্টিকেল হেদ ক্বার্টরস, মোবাইল য়ুনিট, স্পেসল টাস্ক য়ুনিট, ১৪১ বট্টালিয়ন, ১৩১ বট্টালিয়ন, স্পেসল ইলাইট য়ুনিট অমদি লমদম অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখ্রে হায়না কে সী পিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটিগী সেক্রেটরি ইন-চার্জ এস মঙালনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কে সী পিগী ৩৯লকশুবা মপোক কুমওন নুমীৎ অসিদা ১৩১ বট্টালিয়নদা পাঙথোকখিবা অদুনা মপূং ওইবা থৌরম ওইখি। ১৩১ বট্টালিয়নদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কে ৱাই কে এলগী ফোরেন এন্দ রিজনেল এফেয়র্স সেক্রেটরি সী লানঙম্বা অমদি এম এফ এল/কে সী পিগী আর্মিচীফ ঐচ ইবোমচানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট অমদি প্রসিদেন্ট ওইখি। লোয়ননা এম ৱাই এলগী কেম্প কম্মান্দর কেপ্টেন ধনা, এম ৱাই এলগী কেপ্টেন তম্বা, এম ৱাই এলগী কেপ্টেন সুমন, এম এফ এলগী জি-(থ্রী) এম রোবিন অমসুং এম এফ এলগী কেম্প কম্মান্দর এম পূন্সিবনা গেষ্ট ওফ ওনরগী ফম্ফমলাংদা লেংশিনখি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, কংলৈপাক অমদি ৱেসিয়াগী য়াওল লান্থেংগীদমক থৱায় কৎখ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিংগী মফমদা কোক ...

মখা লামায় ৩ কলম ৬

কে সী পি-এম জে সীগী ৩৯শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫: মীখা পোনবা পামদবা অমদি মান্নবা অওনবা খুন্নাই অমগা লোয়ননা নীং-খা তম্না হিংবা পামজবা কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি-মিলিটরি জোইন্ট কম্মিটি (কে সী পি-এম জে সী)গী ৩৯লকশুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙরাং লুপ অসিগী জেনরেল হেদ ক্বার্টর (জি ঐচ ক্যু)দা লুপ অসিগী প্রসিদেন্টনা অথোইবা মীথুংলেন ওইবীদুনা অচম্বা থৌরম কয়াগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে হায়না কে সী পি-এম জে সীগী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা সেক্রেটরি নিংথেম মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কে সী পি-এম জে সীগী মপোক কুমওন থৌরম অসিদা নীংতম য়াওল অমা ওইনা ইরমদম অসিগী মীয়ামগীদমক কখোক্তুনা লাক্লিবা অমদি নীংতম য়াওল অসিগী অচৌবা থৌদাং কয়া লৌবীরিবা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট থৌবা লুৱাংনা অহানবমক্তদা লূপসিগী অচৌবা থৌদাং কয়া লৌবীরম্বা থৱায়না পোম্থা পীখ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিংগী মফমদা য়াওলগী ইকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা ফুরুপ কয়ানা খুন্দামিন্নরিবা ইরমদম অসিগী কংলৈচাশিং অমদি মাংজিল থানা লান্থেংনরিবা ৱাখল্লোন মান্নবা য়াওল্লুপ ইচিল-ইনাওশিংদসু য়াইফ পাউজেল পীবগা লোয়ননা য়াওলগী ইকায় খুম্নবা উৎখি। লূপ অসিগী থৌনা ফরবা কমরেদশিংদসু প্রসি-দেন্টনা ...

মখা লামায় ৩ কলম ২

মরিং ফুরুপ্তুগী অহানবা ওইনা আই এ এস ফংলগদবা ডা. লারুং অংশিম দংশাৱা মরিং তরাম্না ওকখ্রে

মীয়ামগী অপাম্বশিং খঙনা থবক তৌগনি : ডা. লারুং

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচ এন এস) : লমদমসিদা লৈরিবা অপীকপা ফুরুপশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মরিং ফুরুপ্তুগী অহানবা ওইনা ইন্দিয়ন এদমিনিষ্ট্রেটিভ সর্ভিস (আই এ এস) ফংলগদবা ডা. লারুং অংশিম দংশাৱা মরিংনা ঙসি নুংথল ইম্ফাল এয়রপোর্টতা হেক থুংলবগা মীয়াম্না তরাম্না ওক্তুনা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

ডা. লারুং অংশিম দংশাৱা মরিং য়ুনিয়ন পব্লিক সর্ভিস কম্মিসন (য়ু পি এস সী)না লৌবা সিভিল সর্ভিস এগজামিনেসন ২০১৮গী ফল লাউথোরকপদা ওল ইন্দিয়াগী ওইনা রেঙ্ক ৫১৭ তা মায় পাক্লকখিবগা লোয়ননা সেদ্যুল্ড ট্রাইব কেটেগোরিগী ১৪শুবা রেঙ্ক ফংদুনা আই এ এস ফংলগদবা মীওই অমা ওইরিবনি।

সিভিল সার্ভিস এগজামদা মণিপুরদগী মীওই ৩ মায় পাক্লকপগী মনুংদা য়াওরিবা ডা. লারুং অংশিমনা ঙসি ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলবদা ৱেষ্টর্ন মরিং ৱিমেন ওর্গনাইজেসন, নোর্থ মরিং এলদর্স ফোরম, ওল মরিং কেথোলিক য়ুনিয়ন ইম্ফাল, নোর্থ মরিং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননচিংবা তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসন কয়াগী মীহুৎশিং য়াওনা তরাম্না ওকখি।

মখা লামায় ৩ কলম ৭

অদোমবু মফম অমদগী মফম অমদা নুঙাইনা, লাইনা অমদি অতেনবা মতমদা য়ৌহনবা ঙম্বা
Manipur Cab Services
হৌজিক মনিপুরগী মীয়ামদা খুদোংচাবা পিবা হৌজরে...

₹ 15 per Km.
Normal
₹ 25 per Km.
Standard
GET IT ON Google Play

খুদোংচাবা অসি লৌথীনবা Telephone গী খুৎথাংদা মখাদা পীজরিবা number অসিদা call তৌথিবু নত্তগা অদোমগী Smartphone দা ঐখোয়গী Android app "Manipur Cab" playstore দগী download তৌথিরগা অদোমগী অপাম্বা গাড়ী তোগ্নুনা চৎপিয়ু
Toll Free Number
1800-345-3838
Picnic, [illegible] package [illegible]
অদোমবু তেক্তা কায়দনা অমদি মতম চানা য়ৌহনবনা ঐখোয়গী পান্দমনি
Manipur Cab Services
2nd Floor, MDU Building, M.G. Avenue, Imphal
Powered by: Imphal Finance Co-operative Thrift & Credit Society Ltd.
HL-P/3951/4/4-6/5

Important Phone Nos.

Fire Service	-	101
RIMS	-	2414478
J.N. Hospital	-	2450385
DG Control	-	2450100
Imphal P/S	-	2450002
City P/S	-	2458515
Lamphel P/S	-	2414616
Singjamei P/S	-	2450316
Porompat P/S	-	2441404
Patsoi P/S	-	2436015
Lamsang P/S	-	2413725
Wangoi P/S	-	2434066
Nambol P/S	-	2453235
Lilong P/S	-	2432246
Irilbung P/S	-	2571216
Lamlai P/S	-	2426149
Sekmai P/S	-	03875-266208
Mayang/Imphal P/S	-	03879-209306
Thoubal P/S	-	03848-222305
Yairipok P/S	-	03848-263232
Kakching P/S	-	03848-261229
Moreh P/S	-	03873-261210
Moirang P/S	-	03879-262201
Jiribam P/S	-	03876-221205
Bishnupur P/S	-	9615230277

Today's Flights Timing (Non Stop only)

IMPHAL →	AGARTALA
IndiGO	13:25
IMPHAL →	AIZAWL
Air India	12:20
IMPHAL →	DELHI
Air Asia (India)	13:00
IndiGO	14:30
Air India	15:55
IMPHAL →	GUWAHATI
IndiGO	09:45
Air Asia (India)	11:30
IndiGO	12:20
Air India	12:45
IndiGO	13:45
IMPHAL →	HYDERABAD
IndiGO	10:00
IMPHAL →	KOLKATA
IndiGO	11:00
Air India	14:45
IndiGO	15:30

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	২৮.৭৩ °C	১৮.৫৮ °C
চান্দেল	৩৪.০৬ °C	১৪.১৬ °C
সীসীপুর	৩০.৫০ °C	১৭.৫২ °C
ইম্ফাল	৩০.০৬ °C	১৭.৬১ °C
সেনাপতি	২৬.৬০ °C	১৫.০২ °C
তমেংলোং	২৮.৪৬ °C	১৪.৬৫ °C
থৌবাল	২৯.২৭ °C	১৬.১২ °C
উখ্রুল	২২.৫৬ °C	১২.৪৮ °C
মণিপুর	৩৪.০৬ °C	১২.৪৮ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৬.১১ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৫২
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৩৭
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	78.450623
US Dollar	69.363236
British Pound	90.920056
Australian Dollar	49.771676
Chinese Yuan Renminbi	10.343887
Japanese Yen	0.619481
Malaysian Ringgit	16.848977
Australian Dollar	49.771676
Singapore Dollar	51.285924
South Korean Won	0.061237
Saudi Arabian Riyal	18.496863
Thai Baht	2.183963
Myanmar Kyat	0.04579
Bangladesh Taka	0.82333

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	32363.64
Mumbai	–	Rs	33262.03
Delhi	–	Rs	33048.13
Kolkata	–	Rs	33336.90

HL POLL

Q : Meekhal mamangda hunnaramba Political Party kaya meekhal matungda khutsham-narakpa yai khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Outer gi meekhalda UG group ki meeoini ching-nabasingna booth capture toukhi hainaribasi thajaningai oibra?

Yes 87% No 13%

অস! লোইরেহে!

ননাই ঐখোয়দা ভোট পীবীয়ু, ননাই ঐখোয়বু নুংশিবীয়ু...!



হৌজিক্তি ঐখোয়না চাওরেদো... খঙলবরা বুদ্শা...!

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫